# চাইনাগী অনৌবা সমুদ্রগী আইন অতোপ্পদা কাইহৌবনি ঃ য়ু এস



*ৱাশিংটন, জনুৱারি ১০ঃ* সাউঠ চাইনা সিগী য়েংনরিবা মফমশিংদা ঙা ফাবগা মরী লৈননা চাইনানা শেম্বা অনৌবা সী রুল অসি অতোপ্পদা কাইহৌবনি অদুগা খুদোংথিনিঙাইনি হায়না য়ু এস না ফোঙদোকখ্রে।

মীরৈবাক্কী ঙা ফানবা হিশিং য়েংনরিবা মফমশিং অসিগী ঈশিংগী শরুক্তা চংদ্রিঁঙৈদা চাইনাগী ওঠোরিটিশিংগী অয়াবা লৌগদবনি হায়বা আইন অমা চহি অসিগী জনুৱারী ১ দগী অয়াবা ফংদুনা চৎনবা হৌখ্রবনি।

চাইনানা ক্লেইম তৌরিবদি অকোনবা সাউঠ চাইনা সিগী শরুক অসি হায়নান প্রোভিন্সকী মখাদা লৈফম থোকই হায়বসিনি। অদুবু অতোপ্পা খা নোংপোক এসিয়াগী লৈবাক খরনা ক্লেম তৌরিবা মফমশিংগা অকোনবা ঈশিংগী লমদম অসিগা ননশিন্নরি। য়ু এস কী ৱারোল অসি চাইনানা হন্দক্তা ইষ্ট চাইনা সী ইথৎশিং য়াওনা এয়ার দিফেন্স আইদেন্টিফিকেসন জোন (এ দি আই জেদ) অমা লাউথোকখিবা অদুগী নুংঙাইনদবা লৈরিঙৈ চৈরক্তা ফোঙদোরকপনি।

ইষ্ট চাইনা সিদা লৈবা ইথৎশিং অদু কন্ত্রোলদি জপাননা তৌই। অদুগা অচৌবা রোক অমনা খা–কোরিয়ানা মখোয়গীনি হায়না ক্লেইম তৌই।

অতোপ্পা লৈবাকশিংদা অসিগুম্বা অথিংবা অমা থম্বা অসিনা সাউঠ চাইনা সিদা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা কাইহৌবা ওইনা থোকপা অদুগা খুদোংথিনিঙাই ওইবা খোঙথাং অমনি হায়না য়ু এসকী ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী ৱাঙাংলোই জেন সাকিনা রিগুলর ব্রিফিং অমদা ফোঙদোকখ্রে।

অসিগুম্বা আইনশিং অসি চাইনাগী 'নাইন দিয়াস লাইন' হায়না খঙনবা মেরি টাইম স্পেস অদুখক্তদা চৎনগদবা ওইনা খল্লি। অদুবু অসিগুম্বা মেরি টাইম ক্লেইম অসি হেন্না পাকথোক–চাওথোকহল্লকপা অসি মালেমগী করম্বা লোগী মখাদা চাউথোকহল্লকপনো হায়বা চাইনানা ময়েক শেংনা ফোঙদোক্তে হায়খি।

থৌওং অসিদা মরী লৈনবা লৈবাক খুদিংমক্তা মায়কৈ অমত্তগী ওইবা মীৎয়েংদা থবক লৌখৎপা তোক্কদবনি। মদুনা ৱাখল মান্নদবশিং লোইশিনবা য়াবা দিপ্লোমেটিক্কী নত্রগা অতৈ পিছফুল ওইবা ৱারেপশিং লৌবা য়াবগী ওইথোকপা য়াবা শরুকশিং মাঙহনবা তৌরোইদবনি হায়বসিদা অমেরিকানা থাজে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# সি এ আরগী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট মফম থাদোকখ্রে



*চাদ, জনুৱারি ১০ঃ* সেন্ত্রেল অফ্রিকান রিপব্লিক (সি এ আর) দা হৌজিক থোক্লিবা শাথিরবা ইরাং অসি লোইশিন্নবা পান্দমদা রিজনেল সবমিট অমা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী য়েংদুনা সি এ আরগী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট মিচেল জোতোদিয়া মফম থাদোকখ্রে হায়রি।

রিজনেল লিদরশিংনা শীন্দুনা চাদতা পাঙথোক্কদৌরিবা মীটিং অসিদা সি এ আরগী ত্রাঞ্জিস্নেল এসেমব্লিগী মেম্বর পুন্নমক শরুক য়াগদৌরি।

পনবা য়াবদি সি এ আরগী ইহান হানবা মুস্লিম লিদর জোতোদিয়ানা মমাংদা ফম থাদোক্লবা তকশিনবা কয়াদা য়াদদুনা লাক্লিবনি। হাকুম চহিদা মহাক্না নমদুনা লৈঙাক পায়শিনবা অদুদা সি এ আরগী অপুনবা মীশিংগী চাদা ২০ হেনবনা ময়ুম থাদোক্তুনা চেন্নখিবনি। মতম অদুদা খৃষ্টান অমদি মুস্লিম মিলিসিয়াশিং কন্না খুৎ থোক্লখিবনি।

খৃষ্টানশিংনা নম্না তাবা লৈবাক অসিদা নমদুনা লৈঙাক শক্তি পায়শিনবা ঙম্বা অহানবা মুস্লিম লিদর অসিনা ইং ২০১৩ গী মার্চ থাদা ফ্রাঙ্কোইজ বোজিজেগী গভর্নমেন্ট ইন্থুখিবনি। মহাক্কী মখাদা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপ কয়ামরুম লৈ। লৈবাক অসিগী মমাংগী পিছ দিল কয়াদসু মহাক্না দিপ্লোমেট অমা ওইনা থবক তৌরকখি। মহাক্কী সেলেকা হায়বা রিবেল গ্রুপ অসি ওফিসিয়েল ওইনা অথিংবা থম্লম্বদগী লৌথোকখ্রবা মতুংদা মীহাৎ মীপুন অমদি লুৎ–পাৎকী থবক লেপ্তুনা চত্থরকপদগী য়ু এননা লৈবাক অসিদা মীয়াম শাথিনা অৱাবা নংলগনি হায়না ৱার্নিং পীখিবনি।

হৌখিবা দিসেম্বরদগী লৈবাক অসিদা ফ্রান্স লান্মীশিং চংশিল্লকখিবা অমদি লমদম অসিগী পিছকিপ্পরশিং চংশিল্লকপা হৌরকখিবনি। মসিগী মমাংদা থোকখিবা কাংলুপকী ইরাংশিংদা মীওই লিশিং অমা হেন্না শিখ্রবনি।

খুঙ্গং কয়া খুন্তাক লানশিখিবগা লোয়ননা ময়ুম থাদোকখিবশিংগী মনুংদা লৈবাক অসিগী কোনুং বাঙ্গুইদা লৈরম্বা অপুনবা মীশিংগী তঙ্খাই অমরোমসু য়াওখিবনি।

জোদোদিয়ানা ফম থাদোকপগী ৱারোল অসি লৈবাক ১০ গী অপুনবা ইকোনোমিক কম্যুনিটি ওফ সেন্ত্রেল আফ্রিকান ষ্টেটস (ই সি সি এ এস) কী চেরোল অমদা ফোঙদোকখিবনি।

# সিরিয়াদা লালহৌবশিং খুৎ থোক্লবদা মীওই ৫০০ রোম শিখ্রে



*অলেপো, জনুৱারি ১০ঃ* সিরিয়াগী লালহৌবশিং অমদি অলকাইদাগা শম্নবা ইস্লামিষ্ট ষ্টেট ইন ইরাক এন্দ দ লেভান্ট (আই এস আই এস) কী লালহৌবশিংগা খুৎ থোক্লবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৪৮২ রোম শিখ্রে হায়না এক্টিভিষ্টশিংনা ফোঙদোরকখ্রে।

সিরিয়ান ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটস হায়বা লণ্ডনদা বেজ তৌবা লুপ অসিনা হায়বদা, শিরিবশিংগী মরক্তা সিভিলিয়ান ৮৫ য়াওখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

লালহৌবশিংগী মশিংনা ২৪০ নি অদুগা আই এস আই এস ফাইটরশিংগী মশিংনা ১৫৭ নি হায়নসু লুপ অসিনা ফোঙদোরকখ্রে।

অলেপোদা আই এস আই এসনা বন্দি ৪২ হাৎখি। অদুগা জিহাদিস গ্রুপ অসিগী মেম্বর ৪৭ না লালহৌবশিংনা হাৎখি হায়নসু লুপ অসিনা ফোঙদোরক্লি।

খুৎ থোক্লবগী থৌওংশিং অসি লালহৌবশিংনা অৱাং থংবা সিরিয়াগী মফমশিংদা খুদুম চনবা প্রোভিন্স মরিদসু শন্দোরকখি হায়রি।

লালহৌবা মশেল এটেক চত্থনবা অদুগা প্রসিদেন্ট বসর অল অসাদপু য়াদবা মীচমশিংগী মথক্তা আই এস আই এসনা অকনবা মওংদা মীহাৎ মীপুন চত্থখি। আই এস আই এস অসি অনম্বনা মীরৈবাক্কী ফাইটরশিংনা শাবনি হায়রি।

হৌখিবা থা খরদগী থোক্লকখিবা খুৎ থোক্লবগী ইরাং অসিগী খ্বাইদগী শাথিবা থৌদোক্তি ইস্লামিক ফ্রন্ট অসিনা লুচিংবা লালহৌবশিংনা হৌখিবা ইরাইদা ইস্লামিষ্ট গ্রুপশিংগী মথক্তা খুৎ থারকপদগী থোকখিবনি। লাঞ্জং অদু ওপোজিসন নেস্নেল কোলিসন্নসু শৌগৎখি হায়রি।

ইস্লামিষ্ট বৃগেটশিংনা হৌখিবা য়ুমশকৈশাদা অলেপোদা লৈবা আই এস আই এস হেদক্বার্টর্স খুদুম চনখিবনি।

# চহি ৪ গী নুপামচা শিরে

*কাবুল, জনুৱারি ১০ঃ* আফগানিষ্টানদা লৈবা য়ু এস ফোর্সশিংনা নোংমৈনা কাপ্পদা শোইবদগী চহি ৪ গী নুপামচা অমা শিখিবগা লোয়ননা য়ু এস অমসুং আফগানিষ্টানগী মরীদা হেন্না ফজদবা অমা থোকহল্লে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

আফগান য়ু এসকী মরী অসি লৈবাক অনিগী মরক্তা চৎনগদবা সিক্যুরিটি দিল অমা প্রসিদেন্ট হমিদ কারজাইনা সহি তৌ হায়বা য়াদবদগী ফজনদনা লৈরকপনি। দিল অদুদা কুমসি চহিদা আফগানিষ্টানদগী মীরৈবাক্কী লান্মীশিং লৌথোকখ্রবা মতুংদা য়ু এসকী লান্মীশিংদি মখা তানা লৈহৌনবা য়ানবগী ৱারোল য়াওবনি। য়ু এস লান্মীশিং লৈবাক অদুদগী চৎখ্রবদি আফগানিষ্টানগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা টালিবানগা খুৎ থোক্লবদা শোনগনি হায়না য়ু এস না তকশিল্লকখিবনি।

# অৱাং অমেরিকা শাথিনা ইংলুবদগী হন্দোরক্লে



*নিউয়োর্ক, জনুৱারি ১০ঃ* অৱাং অমেরিকাগী মীয়াম্বু শাথিবা অইংবগী চৈথেং পীবগা লোয়ননা চহি চা হেল্লবা টেম্পরেচর রেকোর্দ কায়হনখিবা পোলার ভোরটেক্সকী শাথিনা ইংবা ফিভম অদুদগী হৌজিক হন্দোরক্লে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

য়ু এস মিদ ৱেষ্ট অমদি ইষ্ট লমদমশিংদা ইংবগী ফিভম খরা হন্দোরক্তুনা মীয়ামগী ৱাখলদা নুংশা থিবা হন্থহল্লে। অদুমকপু মফম খরদদি টেম্পরেচর অসি ফ্রিজিং পোইন্টকী মখাদা লৈরি। হৌখিবা নোংমাইজিংদগী লৈবাক অসিদা ইংবনা শিখিবা মীগী মশিং ২১ শুখ্রবনি। অদুগা ফ্লাইট লিশিং ১১ হেন্না কেন্সেল তৌখ্রবনি।

য়ু এস তা নেচরেল গ্যাস শীজিন্নবগী চাং মতম পুম্বগী ওইনা খ্বাইদগী ৱাংখিবগা লোয়ননা ফোরকাষ্টরশিংনা ওইরিবা ফিভম অদু মহৌশাগী মওংদা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা হন্দোরক্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রবনি।

অদুবু লৈবাক অসিগী সিটি ৫০ হেনবদা টেম্পরেচরগী খ্বাইদগী নেম্বা অনৌবা রেকোর্দ কয়ামরুম লৈখি। দিগ্রি সেলসিয়স –৩৭ ফাওবগী চাংদা ইংখিবা য়ু এসকী মিদৱেষ্ট লমদমশিং হৌজিক খরদি শাদোরক্লে। অদুমকপু মহৌশাগী ওইফম থোকপা চাংদগীদি দিগ্রি ১৫ দগী ২৫ ফাওবগী চাংদা নেল্লি। হৌখিবা য়ুমশকৈশাদা এটলান্টা জোরজিয়ানচিংবা মফশিংদা দিগ্রি সেলসিয়স –৫ গী চাংদা লৈখি। অদুবু হেক মমাংগী নুমিৎতদি দিগ্রি সেলসিয়স –১৪ গী চাংদা লৈখিবনি।

নিউয়োর্ক সিটিদসু নোংমা নিনিগী মনুংদা দিগ্রি সেলসিয়স –১ গী চাংদা লাকপা য়ানা লৈরি। গভর্নর রোবার্ট বেন্টলিগী ময়ুমদা ঈশিংগী পাইপ অমা পোকখাইদুনা দোল্লর লিশিং ৫০ রোমগী চাংদা অমাং অতা থোকখি। কানাদাদসু মশাগী চহি ৭০ রোম শুরবা ওন্টারিওদা লৈবা নুপা অমা মহাক্কী গাড়ী মনুংদা উনগা লোয়ননা পুং ২৪ রোম ফুম্লুবদগী হোস্পিটালদা লায়কন্নদুনা তপ্না তপ্না ফগৎলক্লি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# মেক্সিকোদা ঙা ফাবশিংনা শমজিন্নবা ৱাল মচা অনি থেংনরে



*লিবর, জনুৱারি ১০ঃ* মেক্সিকোগী ওফিসিয়েলশিংনা হায়বগী মতুংইন্না সমুদ্রদা ঙা ফাবশিংনা মশা অনি শমজিন্নবা গ্রে ৱাল মচা অনি বজা কালিফোর্নিয়াগী লেগুন অমদা লৈবা থেংনরে হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

বেনিতো বর্মুদেজ হায়বা গভর্নমেন্ট বাইওলোজিষ্ট অমনা হায়বদা ৱালশিং অসি ওজো দে লিবর লেগুনদা থেংনখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙা অনি অদু মখ্বাং মপাদা অমত্তা ওইখিবনি। মকোক অমসুং মমৈগী শরুক্তি তোঙান তোঙাল্লি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

কুম খুদিংগী গ্রে ৱাল লিশিং লিশিংনা য়ু এস ষ্টেট ওফ অলাস্কাগী হেন্না শাবা ঈশিংগী শরুক য়ৌনা খারোমদা হেক হেক ইরোইদুনা চৎলি। মফম অদুদা লাবা অমোমশিং হকতিন্নদুনা মচা শন্দোকই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মেক্সিকোগী নেস্নেল নেচরেল প্রোটেক্তেদ এরিয়াজ কম্মিসনগী থবক তৌবা বর্মুদেজনা থেংনরিবা ঙা অনিগী ফিভম অসি অসুক্কী মতিক অতাংবা থৌদোকনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ৱাল মশিং থিবগী থবক্তা হন্দক্কী অসিনা ইহান হানবা রেকোর্দনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

# ললোন ইতিক্তা চাইনানা য়ু এসতগী হেনগৎখ্রে

*বৈজিং, জনুৱারি ১০ঃ* চাইনানা হন্দক্তা তৌখিবা ক্লেইম অমদা মালেমদা খ্বাইদগী মকোক থোংবা ললোন–ইতিক তৌবা লৈবাক ওইনা খঙনরকপা য়ু এস তগী লৈবাক অসিনা হেনগৎলে হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

অমরোমদা চহি কয়াগী মমাংদগী য়ু এস অসি মালেমদা খ্বাইদগী চাওনা ললোন ইতিক তৌবা লৈবাকনি হায়না খঙনরকখিবনি। অদুবু খ্বাইদগী থেংবা দেটাগী মতুংইন্না চাইনাগী অপুনবা ললোন ইতিক্কী শেনফম অসি চহিগী চাংদা পাবদা হাকুম চহিদা দোল্লর ত্রিল্লিয়ন ৪.১৬ ওইরম্বদগী চাদা ৭.৬ হেনগৎখ্রে হায়রি।

অমরোমদা য়ু এসকীসু চহি মপুং পাবগী ফিগর অমা ফোঙদোক্কদবদি লৈরি। মরকসিদা মমাং চহিগী অহানবা থা ১১ ফাওবদা দোল্লর ত্রিল্লিয়ন ৩.৫ খক্তমক ওইখিবনি।

পনবা য়াবা অমনা চাইনা অসি ইং ২০০৯ দা মালেমদা খ্বাইদগী চাওবা গুদস এক্সপোর্টর ওইখিবনি। অদুগা লৈবাক অসিগী ইম্পোর্ট মমাং চহিদা য়াম্না ৱাংখৎলকপা উখি। চাইনাগী কষ্টমস এদমিনিষ্ট্রেসনগী ৱাঙাংলোই ঝেন য়ু সেংনা হায়খিবদা চাইনানা মালেমদা খ্বাইদগী ললোন ইতিক্তা চাওবা লৈবাক অমা ওইনা য়ু এসদগী হেনগৎলম্বা য়ানা লৈরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অদুবু মায়কৈ খরদদি য়ু এসকী মথক্তা চাইনানা হান্নদগী মফম অসিদা লৈফম থোক্লবনি হায়নসু ফোঙদোক্লখি।

মায়ৗগে অমরোমদনা হৌখিবা থা খরা অসিদা চাইনাগী এক্সপোর্ট দাটা অসি কদাই ফাওবা চুম্বগে হায়বদু চিংননিঙাই ওই হায়না ফোঙদোকপসু লৈখি।

চাইনাগী এক্সপোর্টরশিংনা লৈবাক অদুদা ফন্দ পুশিল্লকপগী অথিংবা চাং অমা থল্লিবা অদু লাম্থোকপা য়ানবা মখোয়না পুথোকখিবা পোৎলমশিংগী চাং লান্না রেকোর্দ তৌরম্বা য়াই হায়না খন্নবসু লৈরি।

হাকুম চহিগী মে থাদা চাইনাগী ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসন ওফ ফোরেন একচেঞ্জগী চাইনা ফোরেন একচেঞ্জ রেগুলেটরনা হায়বদা এক্সপোর্টকী রেকোর্দশিং অমুক হন্না য়েংশিল্লগনি। অদুগা অরানবা দেটা পীবা ফার্মশিংগী মথক্তা হেন্না কনবা চৈরাক পীনবা হোৎনরগনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াবদি চাইনা অমদি য়ু এসকী ওভর ওল ত্রেদকী শেনফমগী খেন্নবা অসি ইং ২০১৩ দা দোল্লর বিল্লিয়ন ২৫০ রোম ওইরম্বা য়াই হায়রি।

# কেনিয়াগী মোর্গ অমদা অশিবা অমা হৌগৎলকখ্রে



*নাইভাসা, জনুৱারি ১০ঃ* কেনিয়াগী হোস্পিটাল অমদা শিরে হায়না লাউথোকপদগী পোষ্ট মোর্টেম তৌনবা মোর্গতা পুশিনখ্রবা অশিবা নুপা অমা মথংগী নুমিৎতা হিংনা হৌগৎলকপদগী কেনিয়াগী ওঠোরিটিশিংনা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিনবা হৌখ্রে।

অশিবা অদুনা হৌগৎলকপদা নাইভাসা হোস্পিটালগী মোরচুঅরিদা থবক তৌবশিং পাখৎতুনা লাউ খোংলগা চেম্ব্রোক্লরকখি হায়রি।

তিলহাৎ হিদাক থকচিন্দুনা মশাবু হাৎচনবা হোৎনখিবা মীশক অসি হৌখিবা য়ুমশকৈশাগী অহিংদা ডাক্তরশিংনা শিরে হায়না লাউথোকখিবনি। হোস্পিটাল অদুগী মেদিকেল চিফনা হায়বদা মহাকপু লায়েংনবা থাখিবা হিদাক অদুনা মহাক্কী থম্মোয়গী মীহুল তপথহল্লম্বা য়াই। অদুগা মদুনা মরম ওইদুনা অরানবা রিপোর্ট অসি ওইখিরম্বা য়াই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মোরচুঅরি এটেন্দেন্ট অমদি অতোপ্পা ৱার্কর অমা থৌদোক অদু উরকপদগী লাউদুনা চেম্ব্রোরকখি।

নাইভাসা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ইন চার্জ ওইবা ডাক্তর জোসেফ মবুরুনা হায়বদা থৌওং অসিনা মেদিকেল পার্সোনেলশিংবুদি চমম্নহল্লে অদুবু ভিক্টিম অসিদি লেনখাইরগা পুমদনবা হিদাক থাদ্রিঁঙৈদা মপুন্সি কল্লহৌবা ঙম্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পাউ–চেশিংদা ফোঙদোক্লখিবগা লোয়ননা নুপা অসিগী অপোকপা অমদি অতৈ মরী মতাশিং ঙৱাং শগোলশেলগী অয়ুক্তা লাক্লগা হকচাং অদু য়েংলম্লবা মতুংদা অরোইবা মথৌ মঙমগী থৌরাং তৌনবা ময়ুমদা হন্নখিবনি। অদুবু নুপা অসিগী অপোকপা মপানা হায়বদা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা ঐখোয়দা মহাক হিঙ্গৎলক্লে হায়বা পাউ পীরকপদা ঐখোয় শাথিনা ঙকখি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

উহৌবা অমনা ষ্টার নিউজ পেপরদা হায়বদা কোল্ড রুমদা মখোল অমা তারকখি। লোয়ননা মোরচুআরি এটেন্দেন্ট অদু লাউদুনা চেম্ব্রোরকপা উখি হায়না ফোঙদোরকখি।

# অখাক অরাওনা মীওই ৩ হাৎখ্রে

*ব্যুনোস এরিজ, জনুৱারি ১০ঃ* আর্জেন্টিনাগী সমুদ্র মপালদা লৈবা টাউন অমদা অখাক অরাওগা লোয়নবা ব্রজ তারক্তুনা মীওই অহুম হাৎখ্রে। অদুগা ২০ হেনবনা অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

অর্জেন্টিনাগী কোনুং ব্যুনোস এরিজগী খা নোংপোকলোমদা লৈবা ভিলা গেসেলদগী ফংবা পাউ অমনা অমনা হায়বদা ভিক্টিমশিং অদু অকনবা নোংলৈ–নুংশিৎ অমা লাকপদগী সমুদ্র মপালদা থুপ্তুনা লৈরিঙৈদা ব্রজ অদুনা পানখিবনি হায়রি।

থৌদোক অদুবু খঙহৌ–উহৌবশিংনা হায়বগী মতুংইন্না, য়াম্না হৌবা অকিবগী মশক ফংবা মখোল অমা তাখি। অদুগা মীওই খরা ব্রজনা পানবদগী মালংদা পাইখৎলকপা উখি হায়না ফোঙদোকই।

শোক্লিবশিংগী মনুংদা অনিগী ফিভম লুনা লৈরি হায়বগা লোয়ননা মখোয় লোয়নমক মৈনা পোক্তুনা শোকপা ঙাক্তনি হায়নসু লিখুন অসিনা মখা তারক্লি।

# ব্লেক হোলনা গ্যাসক্লাউদ চিংশিনখিবদা মৈ হৌবা য়াই



*নিউয়োর্ক, জনুৱারি ১০ঃ* ঐখোয়গী নিংথৌ তুরেল গেলেক্সি অসিগী ময়োলদা লৈরিবা অঙকপগী মশক ওইরবা ব্লেক হোল অসিগী খ্বাইদগী ফজবা শক্তম অমা উবা ফংনবা হৌজিক–হৌজিক এষ্ট্রোনোমরশিংনা শেম–শারি হায়রি।

ইকুই কুইদনা থোক্লগদবা থৌদোক অমদা য়াম্না চাওবা মনিলগী ক্লাউদ অমবু ব্লেক হোল অসিগী মনাক্তা কা হেন্না নক্না পাইশিল্লুবদগী ব্লেক হোলদা চিংনশিনখিবদা অচৌবা মৈ হৌবগী থৌদোক অমা থোকপা য়ানা লৈরি।

অমেরিকান এষ্ট্রোনোমিকেল সোসাইটিগী সাইন্টিষ্টশিংনা হায়বগী মতুংইন্না, থৱানমিচাক য়েংবশিংদি থৌদোক অসি অনৌবা পব্লিক মোনিটরিং ৱেবসাইট অমদা উবা ফংবসু য়াই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

চহি চা কয়াগী মনুংদা ঐখোয়গী ব্লেক হোল অসিগী খ্বাইদগী চাওবা চাক্লেন অমা ওইরবা য়াই হায়না লোস এঞ্জেলিসতা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ কালিফোর্নিয়াগী লিও মেয়রনা ফোঙদোকখ্রে।

মসি অঙাকপা মৈগী কুক্ষে অমা ওইবা য়ানা লৈবা মরমনা মসিবু মীপুম খুদিংমক্তা উহন্নিংই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অচৌবা মনিলগী লৈচিল অসিগা ব্লেক হোলগা থেংজিন্নবগী থৌদোক অসিনা য়ুনিভর্সকী খ্বাইদগী ঙকপা থৌদোকশিংগী মরমদা ঐখোয়না খঙবা য়াবা পোরম অমসু ওইবা য়াই। মরমদি ব্লেক হোলশিংগী দেন্সিটি কুংমনবনা মরম ওইদুনা মপাদা লানবা মঙাল ফাওবা চিংশিল্লি হায়রি।

# পাকিষ্টানদা বেঙ্ক অমদগী লুপা লাক্ষ ১৭ লৌথোক্লগা মৈ থাখ্রে

*ইস্লামাবাদ, জনুৱারি ১০ঃ* পাকিষ্টানগী পঞ্জাব প্রোভিন্সতা একাউন্ট লৈবী নুপী মচিন–মনাও অনিখক্না মখোয়গী একাউন্টতগী লুপা লাক্ষ ১৭ লৌথোক্লগা শেলশিং অদু বেঙ্ক ব্রাঞ্চ অদুমক্কী মমাংদা মৈ থাদোকখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

নাহিদ (৪০) অমদি রুবিনা (৩৫) হায়বী জেলমগী বিলাল টাউন এরিয়াদা লৈবী নুপী অনিখক্না নেস্নেল বেঙ্ক ওফ পাকিষ্টানগী চাক নাসা ব্রাঞ্চতা নুমিৎ হুম্নিগী মমাংদা লাক্তুনা লুপা মিল্লিয়ন ১.৭ ফিক্স দিপোজিট একাউন্ট অমদগী লৌথোকখিবনি। অদুবু বেঙ্ককী থবক থৌরম অমদি অতৈ ইসুশিংনা মরম ওইদুনা খুদক্তা মখোয়না হায়রিবদু ওইহনবা ঙমদে হায়না বেঙ্ক মেনেজরনা মচিন–মনাও অনিদা খঙহনখি হায়রি।

মদুদগী নুপী অনি অদুনা ঙৱাং অমুক বেঙ্কতা হল্লক্লগা শেনফম অদু খুৎশিন্নবা মেনেজরদা হায়রকখি হায়রি। ঙৱাংগী নুমিৎয়ুংবা অদুৱাইদা মচিন মনাও অনিদা শেনফম অদু খুৎশিন্নখি। অদুবু ব্রাঞ্চ মমাংদা মখোয় অনিনা পৈশা অদু মৈ থাদোকখিবনি হায়রি। পুলিস লাক্তুনা উৎ ওল্লবা শেলশিং অদু লৌখৎখ্রে হায়রি।




## SANALEIBAK SUDOKU

SANALEIBAK SUDOKU -120

Prepared by : ROGER -A

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | 5 | 3 | 8 | |
| 2 | | 8 | | | | | | |
| | | 4 | 1 | | | 5 | | |
| | | | | 5 | 3 | | | |
| | | | 6 | | | | | |
| | | | | | | | 7 | |
| | 1 | | | 2 | | | 6 | 8 |
| 4 | | 7 | | | | 1 | | 9 |
| | 2 | | 4 | | 6 | | 3 | |

YESTERDAY SOLUTION

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 2 | 9 | 7 | 1 | 6 | 4 | 5 | 8 |
| 1 | 6 | 4 | 3 | 5 | 8 | 7 | 9 | 2 |
| 7 | 8 | 5 | 2 | 4 | 9 | 6 | 3 | 1 |
| 4 | 9 | 6 | 1 | 8 | 2 | 5 | 7 | 3 |
| 8 | 7 | 1 | 5 | 6 | 3 | 9 | 2 | 4 |
| 5 | 3 | 2 | 9 | 7 | 4 | 8 | 1 | 6 |
| 2 | 4 | 7 | 8 | 9 | 1 | 3 | 6 | 5 |
| 9 | 1 | 8 | 6 | 3 | 5 | 2 | 4 | 7 |
| 6 | 5 | 3 | 4 | 2 | 7 | 1 | 8 | 9 |

**FILL THIS BLANK:**
*9 x 9 grid by using digits 1 - 9 without repeating in the same row, column, box or diagonal. The number already given cannot be changed.*